# শান্নববু য়োকখৎপীবা ক্যুবাগী ফিদেল কেষ্ট্রো লৈখিদবা

**লৈশাংথেম অজিৎ**

*কুমজা* ১৯০০ দা পেরিস সহরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মর ওলেমিম্পিক গেমসতগী হন্দক্তা রিও দি জানেরোদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা সম্মর ওলেম্পিক গেমস ফাওবদা পূন্না মেদল ২২০ ফংবা ঙমখ্রবা মীশিং মিল্লিয়ন নিপানলোম লৈবা বেজবোল শান্নবা অমদি বোক্সিং থিন্নবদা পৱার হাওসনি হায়না খঙনরিবা কেরিবিয়ান সমুদ্রদা লৈবা ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ফিদেল কেষ্ট্রো লৈখিদবা অসিদা মালেম অসিনা ক্যুবাবু অনৌবা হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎনবা হোৎনবিরম্বা লুচিংবা অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং শিংথানদুনা নীংশিংবীরি। মহাক্না ক্যুবাবু শান্নবদা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী মরক্তা লম্বা তৌনহন্দুনা লৈবাক অদুগী মীংচৎ পুরকপা পাম্বাখক নত্তনা মীপুম খুদিংমকপু মশা মউ ফনা থম্বসু পাম্মী। মরম অদুনা কুমজা ১৯৫৯ দা মহাক্কী রেভল্যুসনরি পার্টিনা মায় পাক্তুনা লৈবাক অদুগী লৈঙাক হেক পায়বগা লৌউ-শিংউবা, মহৈ মশীল তম্বা অমসুং শান্ন খোৎনবদা মায় পাক্লবা অচৌবা খোঙথাং থাংজিনবা হৌখি। মহাক্না ক্যুবাগী শক্তি পায়বা থা খরগী মতুংদা হাভানাগী ষ্টেদিয়মদা বেজবোলগী একজিবিসন মেচ অমা কুমজা ১৯৫৯ গী জুলাই ২৪ দা শান্নখিবদা মকোয় চোম্বা রেভল্যুসনরিগী মেম্বরশিংনা শেম্বা টিম অমনা মীচং ওইবা লোস বারুদোসকী টিমদা য়াওদুনা ক্যুবান মিলিটরি পুলিস টিমগা শান্নবদা শরুক য়াখি। মেচ অদুগী মরমদা য়াল য়ুনিভর্সিটিগী লিটরেচরগী প্রোফেসর ওইরিবা গোনজেলেজ ইচেভারিয়া কৌবা অমনা ইবা "The pride of Havana : A history of Cuban baseball" কৌবা লাইরিক অদুদা য়াওরি। মহাক মালেমদা ফাওরিবা হাভানাগী সুগর কিং কৌবা বেজবোল ক্লবপু সপোর্ট তৌবা লুচিংবনি, ক্লব অসি ইন্টরনেসনল লীগকী চেম্পিয়ননি।

ফিদেল কেষ্ট্রো অঙাং ওইরিঙৈদা ফুটবোল শান্নে, বাস্কেটবোলসু হৈ অদুবু ক্যুবাদা সোসিয়েলিজম মরা চেৎনবা বোক্সিং অমদি ওলেম্পিক্কী স্পোর্টসশিংদা চাওখৎনবা হোৎনখি। বেজবোল অমদি বোক্সিংনা লৈবাক অদুগী মীংচৎ হেন্না চৎখি অমদি মালেমগী মফমশিংদা ইকায়খুম্নবা হেল্লকখি। অদুবু অমেরিকা অমদি য়ুনাইটেদ কিংদম্না লুচিংবা লৈবাক খরনা লৈবাক অসিবু ইন্থোক্তুনা শম্নদবদগী, শেলগী মতেং ফংদবা, লল্লোন ইতিক তৌনবগী অথিংবা থম্বা মরম্না, ষ্টেদিয়ম শেমজিনবা ঙমদে, নৌনা শাবসু ঙমদে, খূৎশু খূৎলায় লৈবসু ঙমদে, শান্নরোয়শিংদা শেল চাউনা পীবসু ঙমদে। মরম অদুনা অফাওবা বেজবোল শান্নরোয়শিং মীরৈবাক্তা লোন্না চেনখি, দিফেক তৌখি। চাইনা অমসুং রসিয়ানা থৌওং অসি খঙই অদুবু কম্যুনিষ্ট লৈবাক ওইরবসু ফন্দামেন্টেলদি মান্নদবনিনা মতেং পীখিদে। কেষ্ট্রোনা মহাক্কী লৈবাক্তা অহল, নহা খাক্তনা শান্নবদা শরুক য়াহন্নবা খোঙথাং অমা লৌখৎপদা মায় পাকখি। মহাক্না মশক নাইবা শান্নরোয় খক্তগী নত্তনা মীপুম তিংনা শান্নবদা শরুক য়াহনখি। মহাক্কী লৈবাক্তা লৈরিবা মীওইগী চাদা ৯৫ মশান্না মখল কয়াদা শরুক য়াই নৎত্রগা শাজেল তৌই, অশন্বীদা চহী ৫ শুবা অঙাংদগী চহী ৯০ হেল্লবা হনুবা হনুবী ফাওবা শাজেল তৌবা অমদি শান্নবদা শরুক য়াহল্লি। মহাক্কী স্পোর্টসকী ৱাখল্লোনদি হকচাং ফনবা, হকচাং চাওবা হেনগৎনবনি হায়বা অসি মহাক্কী ৱাহৈনি হায়না মহাক্কী বাইও গ্রাফর অমনা হায়খি। মহাক্না ৱারী শাবা মতমদা বাস্কেটবোল, দিপ-সি-দাইভিং (সমুদ্র অরুবা মফমদা ইরুপ্পা), ফুটবোল অমসুং এথলেটিক্স অসিদা মহাক্কী অপাম্বা লৈ হায়নসু হায়রি।

মহাক্না কুমজা ১৯৬১ দা নেসনল স্পোর্টস এন্দ ফিজিকেল এদ্যুকেসন, রিক্রেসন লিংখৎখি। মদুদা ত্রেক এন্দ ফিল্ড, বাস্কেটবোল, বেজবোল, জিম্নাষ্টিক অমসুং ভোল্লিবোল তম্বীবা হৌখি। মহাক্না ক্যুবান সম্মর জুনিয়র ওলেম্পিক হৌদোকখি। মদুদগী খনগৎলবা অঙাংশিং অদু স্পিসিয়েলাইজ তৌবা স্পোর্টস স্কুলশিংদা থাজিল্লি। স্কুলশিং অদু আইলেন্দ



ওফ দ য়ুথ হায়বা ঈথৎ অমদা থম্মী। মদুদা স্কুল ২৭ লৈ অমদি অঙাং ৬০০ তম্মী। মহৈরোয়শিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা হি তোংলগা ঈথৎ অদুদা লাইরিক তম্বা চৎলি। ইরাই নুমিৎতা ময়ূমদা অমুক হল্লকই। ক্যুবান সম্মর জুনিয়র ওলেম্পিক গেমসকী প্রোগ্রাম অসি কুমজা ১৯৬৩ দা হৌখিবনি। মসিদা দিসিপ্লিন ২০ দা অথোই অহেন তান্নহল্লি। মতৌ অসুম তৌনা শান্নরোয়শিং অসি মশা মশাগী চান্নগদবা মশান্নশিং অদুদা অহেনবা ত্রেনিং অমদি কোচিং পীবীনবা ষ্টেটনা চঙগদবা শেনফমশিং পুথোকপীদুনা মপূক্লিং থৌগৎলি।

লৈবাক অসিগী ওফিসিয়েল ওইবা মশান্নদি বেজবোলনি। বেজবোল অসি অমেরিকানশিংনা ঈথৎ অসিদা পুশিল্লকখিবনি। মরম অদুনা ক্যুবা, য়ু এস এ অমদি জপান্না মশান্না অসিদা মালেমগী মকোক ওইনবা অকনবা লম্বা তৌনরি। প্রাইজ মনি য়াম্লবা শেনফম মনা ওইনা পীরিবা বেজবোল ওলেম্পিক্কী দিসিপ্লিন ওইনা য়াওহন্নবা হোৎনবদা অহানবদা মায় পাকখিদে। মশান্না অসি ওলেম্পিক গেমসদা তরেৎলক দিমোনষ্ট্রেসন স্পোর্টস ওইনা য়াওহনখিবদা ক্যুবানা সনাগী মেদল লৌখি অমদি মশান্না অসি কুমজা ১৯৯৬ (অটলান্টা), ২০০০ (সিদনি), ২০০৪ (এথেন্স) অমসুং ২০০৮ (বৈজিং) দা য়াওহনখিবদা ক্যুবানা অহুল্লক, য়ু এস এ অমসুং কোরিয়ানা অমুক অমুক থোয়খি। বেজবোল অসি অহানবা ওইনা বার্সেলোনা ওলেম্পিক্তা মশান্না অমা ওইনা য়াওহনবা মতমদা ক্যুবানা খুদোংচাবা অমা ফংখি। মরমদি মশান্না অসিবু য়াম্না পামজবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয় অফবশিংদি 'প্রোফেসনল' না অয়াম্বনি। ওলেম্পিক্তা প্রোফেসনল শরুক য়াবা য়াদবনা মরম ওইদুনা অফবা শান্নরোয়শিং ওলেম্পিক্কী টিমদা য়াওহন্দে, মাইকৈ অমরোদা ক্যুবাদা প্রোফেসনেলিজম লৈতবা মরম্না অফবা শান্নরোয়শিং লৈবাক অসিগী টিমদা য়াওদুনা ওলেম্পিক্তা মায় পাকখি। বার্সেলোনাগী গেমস অসিদা ক্যুবাগী অফবা শান্নরোয় রোলান্দো অররোয়ো কৌবা অমা মথংগী ওলেম্পিক গেমস ১৯৯৬ তা অটলান্টাদা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ১০ নি খক্তমক ঙায়রবা মতমদা অতোপ্পা লৈবাক অমদা দিফেক তৌখি, হুরান্দুনা লোন্না লৈবাক অমদা চেনখিদুনা চঙজফম লৌখি।

ফিদেল কেষ্ট্রোনা মহাক্কী লৈবাক্তা বোক্সিং থিন্নবদা পূক্লিং য়াম্না থৌগৎপীরমখি। সহরদা অমদি খুঙ্গংশিংদা বোক্সিং থিন্নফম শাদুনা থম্মী। মফমশিং অদুদা মতিক চাবা কোচশিং অসি মখোয়বু মতেং পাঙনবা ষ্টাফশিং থম্মী। লৈবাক অদুদা বোক্সিং থিন্নবা শান্নরোয় ১৯,০০০ লৈ। মখোয়গী মনুংদা শান্নরোয় ৮১ ওলেম্পিক্কী বোক্সিংদা শরুক য়ারুরে। ওলেম্পিক্কী লৈবাক অসিনা ফংলিবা মেদলশিং অসিগী মনুংদা বোক্সিংদা ফংবা মেদলগা খ্বাইদগী য়াম্মী। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা বোক্সিংদা সনাগী মেদল ৩৭, লুপাগী মেদল ১৯, সেঞ্জেংগী মেদল ১৭ ফংখি। ফিদেল কেষ্ট্রোনা মতম ফরিঙৈদা টেফিলিও ষ্টেভেনসন লোরেনজোনা কুমজা ১৯৭২, ১৯৭৬ অমসুং ১৯৮০ গী মথংশিংনা ম্যুনিক, মোনত্রিল অমসুং মোস্কো ওলেম্পিক্তা বোক্সিংগী সুপর হেভিৱেত্তা সনাগী মেদল ফংদুনা ওলেম্পিক্কী অনৌবা পুৱারী অমা শেমখি। মসিগী মতুং তারকপদা হেভিৱেটতা ফেলিক্স সেভোন ফেবরনা কুমজা ১৯৯২ (বার্সেলোনা), ১৯৯৬ (অটলান্টা), ২০০০ (সিদনি) ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি।

মহাক্কী শান্নরোয় হেভিয়ার সোতোমায়োর হায়জম্পতা ফুট ৮ চোঙবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী কুমজা ১৯৮৮ দা থমখিবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ হৌজিক ফাওবা থুগাইবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা মরৈবাক নীংবা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপীবা লুচিংবা অমা লৈখিদবা অসি মালেম অসিগী মাঙজবনি।


# ৱাইশেলগী কেলেন্দর সেপ্টেম্বর - ওক্টোবর, ২০১৬
# "ঐগী খোঙ অমসুং খূৎ কাকফৈনা চিকপদগী ককখিবনি"


**— নাওরেম দেবান, মঙাং —**

*১) সেপ্টেম্বর* - ২০১৬ দসু নুমিৎ থা খঙনবা কেলেন্দরনা য়েৎলোমদা অদুগা থাসিগী পীকচরনা ওইরোমদা লৈরি। মমাঙগী ইশুদা থা অহুমগী পূন্না খঙমিন্নসি হায়বদু থা ২/২ গী ওইনা তৌবনা হেন্না মরিক চুম্বা ওইগদবনা হৌজিক সেপ্টেম্বর অমসুং ওক্টোবর থা অনীসিগী ওইনা মীয়াম মাঙদা পুথোকচবনি। সেপ্টেম্বর থা অসি থৱান-লাংবন অনীনা পুল্লি, মরুওইনা নুমিৎশিংনা তাং ১২-ইদুজ্জুহা, তাং ১৩ হৈক্রু হিদোংবা, তাং ১৬ পিশাতাও থৌনিবা, তাং ১৭ তর্প্পন হৌবা অমদি তাং ৩০ ইরাবত দেগী নুমিৎশিংনি।

ওইরোম থংবদা লৈরিবা অসি ৱাইশেল ঈশিং-ঈরমসিগী হকথেংননা লৈরিবা কেন্দ্র ৭ কী মনুংদা অমা ওইরিবা পাৎশোই কেন্দ্রগী তাবুংখোক অৱাং লৈকায়দা থোকখিবা থৌদোক অমনি। অদুবু পীকচরসিদদি ময়ায় লৈকায় হায়না হাপখ্রে। ৱাইশেলগী ঈশিং ঈরমসিদা অমোৎপা কয়ানা মতম শাংনা লৈরকপদগী অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকপনি, কাকফৈনা চীকপদা অসিগুম্বা লায়না অসি অমুক্তা থেংনখিদ্রি। ৱাইশেল মরীলগী ঈশিং অসি পোলুসন ওইরকপদগী মহিকশিং অসিনা কাকফৈদা লৈবা ঙমখিবনা কাকফৈনা চীকপদগী লায়ওং খঙদনা লৈরে হায়দুনা মণিপুরগী মমিং চৎলবা হোস্পিটাল কয়াদগী এন্টি বাইওটিক অমদি চীকপা, হাক্কচবা লোয়ননা হৌরক্লিবা লাইহৌখক্তমক নমথনবা হীদাক মখল কয়ামুক্না শঙ্গু শাদুনা লৈরক্লবফাওবা অনাবসিনা অসুম অসুম হেনগৎলকপা অমদি শ্বর ফুনগৎলকপা অসিদগী শিবা তারে হায়দুনা মহৈ-মহৈ কোয়চেন চেন্নরকই। লায়ওং খঙদবা লায়নানা নারে হায়বসিনা লমদমসিগী রিজল্ট ওইরে। খন্নবা য়াবমখৈ অমদি চেনবা য়াবমখৈ চেন্নরক্লবা মতুংদা অরোইবদা কেন্দ্রসিগী মীহুৎ ওইবিরিবী কুমারি এ কে মিরাবাই, ওনরেবল মিনিষ্টর/এম এল এ পাৎশোই কেন্দ্রগী মফমদা চৎতুনা হোবে-হোবে পাউদম্লুবদগী অনৌবা ৱাখল অমা খুদক্তা লাকপদগী রামেশচন্দ্রগী থৱায় কলহৌখিবনি।

অসুম্না কুমারি মীরাবাইনা কোয়চেন চেনবীরকপদগী অমদি মহাক্কী অঙম্বা থাক্তা পোথাবা লৈতনা হোৎনবিরকপসিনা দিল্লিগী হোস্পিটাল অমদা পুরগা লায়েংদবা য়াদ্রে, রামেশচন্দ্রগী অৱাবসি




য়েংবা ঙমলক্ত্রে, ঐগী লৈজবা লন-থুম ফাওবা খুদক্তা কায়থোক্তুনা হোৎনগনি হায়না পাম্বোম তিংবিরকপদা ঐখোয় পূন্নমক এ কে মিরাবাইবু কাউবা য়াদনা লূপকী পুৱারীদা লৈহৌরগনি। অসিগুম্বা আশা অমা লাকপদগী ওনরেবল মিনিষ্টর/এম এল এ পাৎশোই কেন্দ্র কুমারি এ কে মিরাবাইনা লুপা লাক্ষ ৮,৫৪,০০০ (লুপা লাক্ষ নিপাল লিশীং য়াঙ্খেমরি) পুথোকপীদুনা টিদ্দিম রোদকী চঙাঙ্গৈদা লৈরিবা টুলিহল এয়রপোর্টতা লৈরম্বা এরোপ্লেন অমবু রিজার্ভ তৌবিদুনা দিল্লিদা লৈবা গঙ্গারাম হোস্পিটাল তম্না পুবিদুনা রামেশচন্দ্রবু লায়েংবা হৌবিখি। অসুম্না দিল্লি তম্না পুবিদুনা অনাবগী লায়ওং চপ চানা খঙলবা মতুংদা হীদাক লাংথক কয়া থাদুনা হোৎনরকপদগী হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভমসিদা হিংলকপনি। দিল্লিদগী হল্লক্লে তাবদা ৱাইশেল লূপকী মরুওইবা থৌ পুরিবা/পুবিরিবীশিংগা লোয়ননা অখন্নবা মিদিয়া পার্সনেলশিংগা লোয়ননা রামেশচন্দ্রগী য়ূমদা চৎলুই। পীকচরসিদা উরিবসি মহাক্কী য়ূমগী মাঙ্গোলদা লৈবা দবল-সিট সোফা অমদা ফম্লগা লূপকী অমদি মিদিয়া পার্সনেলশিংগী মমাঙদা রামেশচন্দ্রনা মহাক্কী অনাবগী মরমদা পাউদম্বগী ফোটোনি। অদুনা পীকচরসিগী নাকলদা ইংগ্রাজি ময়েক্না অসুম্না থারি মদুদি "Picture shows :- Amputation of (Leg & Hand) Charoibam Rameshchandra of Tabungkhok Mayai Leikai, Patsoi Kendra, caused by Leech (local name Kakphei) that comes from the polluted stream of Tabungkhok". মসিগী হেক মখাদা রামেশচন্দ্র মশামক্না হায়খিবা ৱাফম্লুসু বঙ্গালি ময়েক্না অমুকসু ইরি মদুদি "ঐগী খোঙ অমসুং খূৎ কাকফৈনা চিকপদগী ককখিবনি" - চরোইবম রামেশচন্দ্র।

লেংবীরকখিবা মিদিয়া পার্সনেলশিংগী মরক্তগী তাংনা থোক্লবা থবক অসিগী ভেল্যু ফজনা খঙবীবা 'হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী এদিসন' না পাউচে অসিগী ফ্রন্ট পেজমক্তদা ফোটোগা কোন্ননা হাপ্পীরক্তুনা মীয়ামদা মরিক চুম্লবা ঈ-পাউ অমা পীবিরকপগীদমকসু লমদমসিদা লৈরিবা চীং অমসুং তম অনীমক্তা শিন-থুনা শন্দোক্লিবা অমদি নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা ফোঙবিরিবা পাউচে অসিগী এদিটোরিয়েল ষ্টাফপুসু লূপসিনা থাগৎচরি। রামেশচন্দ্রগী ফীভমসি য়েৎকী খূৎ অমদি ওই থংবা খোঙপাক অনীমক লৌথোকখ্রে। মসিগী মতুংদা য়েৎলোম থংবা খুনিংলোমদা মহীকসিনা চাথৎলকপা হৌরকপদা মতম চানা লায়েংহৌবদগী কলহৌবগা লোয়ননা শ্বর হোনবা অমদি ওই রোম থংবা খূৎ তম্না লানশিল্লকপা ঙমহৌদ্রে। পূম্নমসিগী এচিভমেন্টদি পাৎশোই কেন্দ্রগী ওনরেবল এম এল এ কুমারি এ কে মিরাবাইগী মফমদা ৱাইশেলগী লূপ, পাৎশোই কেন্দ্রগী মীয়াম ঐখোয় পূম্নমক্না পীজরি। মতাংসিগা লোয়ননা ৱাইশেল ঈশিং ঈরমসিগীদমক ভেল্যু খঙনা অমদি থৱায় য়াওনা অফবা লম্বীদা লাক্লবা হোৎনবিখিবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী ওনরেবল এক্স মিনিষ্টর/এম এল এ লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা হোৎনবিখিবা সার্ভিসশিংগীদমকসু কৈশামথোং কেন্দ্রগী মীয়ামশিং অমসুং লূপসিনসু হৌজিক ফাওবা শিংথাদুনা লৈরি।

ওক্টোবর ১৬ - থা অসিসু য়েৎলোমদা কেলেন্দর, ওইরোমদনা পীকচর থল্লি। থা অসি পোইনু-ৱাকচিং থা অনীনা পুল্লগা ওই। মরুওইবা নুমিৎশিংদি তাং ২, গান্ধীগী মপোক নুমিৎ লোয়ননা মেরা চাওরেল হৌবা, তাং ৮, হিন্দুগী লাই দুর্গা পুজা লোয়ননা ঐখোয়গী লাইরেম্বী পান্থোইবী ইমাগী ঈরাৎ থৌনি নুমিৎ, অমুবা মচুনা তাং ১১, ক্বাক তানবা নুমিৎ, তাং ১২, মহরম, তাং ১৬, মেরা ৱায়ুংবা লোয়ননা মেরা হৌ চোংবা নুমিৎ অমসুং তাং ২৩, নুংখ্রং ঈরুপ্পনি। অতৈদি থোইনা মরু ওইদ্রে।

ওইরোমদা লৈরিবা পীকচরসিনা 'ৱাইশেল মরীল শেমগৎপা লূপ' সিগী অনীশুবা রুরেল এরিয়াগী ব্রাঞ্চ ওফিস, ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মমিং লৈরবা হৌজিকসু নিংথিজনা ফঙ্কসন তৌরিবা 'দি য়ং য়ুনিয়ন ক্লব' ইরোম মৈজ্রাওগী মরুওইবা থৌ পুরিবশিংগা লোয়ননা বোনাফাইদ ওইরবা ক্লবসিগী মেম্বর অমসুং এদভাইজরশিংগা লোয়ননা নোংজুথাগী মতমদা লাকপা ঈশিং ঈহৌদগী খুলসিগী য়াম্লবা লৌফম লোয়ননা থংননা লৈরিবা নম্বোল কেন্দ্রগী য়াম্লবা লৌফমশিংবু ঈশিংদগী কলহৌনবা ঈরম ফাৎতুনা অহেনবা ঈশিংশিং খা পাংনা ৱাইশেল মরীনসিগী ঈশিং লম্বীদা চেন্থখিনবা নুমিৎ কয়ানিমুক লেপ্তুনা হোৎনবগী পীকচরনি। উরিবা পীকচরসি ইরোম মৈজ্রাওগী এরিয়াদা লৈরিবা মাইনর এরিগেসন দিপার্টমেন্টনা চহী কয়াগী মমাঙদা শারম্লবা বেরেজ কয়াগী মনুংদগী অমখক্কী ফোটোনি। অসিগুম্লবা বেরেজশিং কয়ামুক খা শঞ্জেম্বম ফাওবদা লৈরি। অদুবু, চহী কয়ামুকসি দিপার্টমেন্টসিগী এঞ্জিনিয়রশিংনা বেরেজশিং অসিবু হন্না তুনা য়েংবিরক্তবদগী অসিগুম্বা ঈরম ফাৎপগী থবকসি লূপসিগী ক্লব মেম্বর ওইরিবা ইরোম মৈজ্রাওগী 'দি য়ঙ য়ুনিয়ন ক্লব' অসিনা মীয়ামগীদমক য়েংলগা হোৎনরকপনি। ঈশিং ঈরমসিগী মতুংইন্না পীকচরসিদা খা পাংনা লৈখ্রিবা ঈশিং মরীনসি নম্বোল কেন্দ্রগী খা শঞ্জেম্বম তানা লৈখ্রগা অদুগী মতুংদা ৱাহেং-খুমন য়ৌরগা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্র চিংলিবা 'শান্তি-পুর' খুল তারগা লোক্তাক পাৎতা দাইরেক্ট তাখিগদৌরিবনি। মথংগী ইশুদা নবেম্বর-দিসেম্বরগী অমুক য়েংমিন্নসি।

# অপোকপী পলেম ইমা লৈবাকনি

**— অহন্থেম ইরাবোত মীতৈ —**

*অমত্তগী* অমত্তা ওইবা খ্বাইগী মথক্তা লৈরিবা ইপা সোরারেলদগী পুথোরকপা কোরৌথক্কী নুমিৎকী মঙালনা য়ৈবদা মীওইবা ঐখোয় তাইবঙগী অচৎপা চত্তবা, লেংলি পাল্লিবা পূম্নমক মালেম ইমাগী তম্পাক্তা মঙফাওনরকই। মীতৈ লাইনীং লৈশেম্লোন্না অসুম্না হায়, "সোরারেলনা ইপানি, কোরৌ নুমিৎনা থৱায়নি, মালেম ইমানা তাইবঙনি, হিংবনা তাইবঙগী কুম্মৌনি, পোকপা শিবগী পম্থুংনা লৈবাক মালেম পোকপীবগী লৈমা ইমানি"। অদুনা মালেমগী ওইনদি লৈমা, পোক্লফম লমদমগীনা ইমা, পলেম অপোকপী লৈবাকনি। নুপী ওইবীশিং তাইবঙ মীওইবগী পলেম, লোয়নবী, ইচে, ইচল খুদিং লইনীং, য়ূম্বাল্লোনগী মতুং ইন্না পোক্লফম লমদম ইমা লৈবাক্তা চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু লৈখোমদগী লৈবাক ওইরকপা অমনা মীওইবদগী পলেম ইমা হায়না খঙনবনি। চুম্বদগী চুম্লবা মীতৈ লাইনীংগী ৱাংঙুলোন ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওইবা অমত্তনা লাল্লি হায়না মহায়ররোইদবা অমনি হায়না লাইনীংবা অহলনা তাকপীরি। শম্না নুপী ওইবীশিং মালেম লৈমা পোক্লফম লমদম ইমা লৈবাকনি। পোকপীবগী পোকপীবা ওইরুবনা মীনুংশিগী মরীদা কোরৌ নুমিৎনা নক্না থোক্তুনা মৈশা কন্না লাংহল্লগসু মালেম লৈমা ইমা লৈবাক্না শায় কৌবদা মহায়দে। অসুম্না কোরৌ নুমিৎনা থাপ্পা থোকখিদুনা তাইবঙ ওইবা ঐখোয়না ইংলগসু মালেম ইমানদি ইংলে কৌবদা মহায়দে।

মথক্কী ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা লাইনীং মতুং ইন্না ৱাঙুলোন খন্ন-নৈনবা ঙসি ঐখোয়না মালেম ইমা লৈবাক্তা পূন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরিবসি পীক্লিবা নাৱা অঙাংনা পলেম মমাগী মতম্বাক্তা পূন্না লোংনা হিপ খোল্লাং থক্না মমাগী মীনুংশি চেনবা মায়থোং, নুংশিবা মিৎয়েং মিৎচানদুনা লৈরিবদুগা খেন্নবা লৈতে। লৈশেম্লোন লাইনীংনা ঐখোয়বু পোকপী পলেম ইমা নুপী ওইবীশিং মালেম লৈমা ইমা লৈবাক্না চাংদম্নরিবসি য়াম্না মরম চাবা অচুম্বা অমা ওইরিরোইদ্রা হায়না পাবীরিবশিংদা থমজরি। মসি শন্দোক্না নৈনরুদ্রগসু পূম্নমক্না য়ানবা খঙনবা ৱাফমনি। তৌবতবু কল্লকপা মিহৌবা অপাম্বনা হেন্না থুম্নৎখিদুনা নুপী পলেম ইমা লৈবাকপু নুংশিবগী নুংঙাইবা, মীনুংশিগী মহাও খঙবা ঙম্নদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি। মৈশা, নুংশিৎ অমদি ঈশিং পুথোক্তুনা অশংবা মনা-মশিং হৌহনবীরি। মসিবু চিঙ্গাক ওইনা চাদুনা ঐখোয় হিংমিন্নরি, লৈমিন্নরি। মসিমক্নুনি, য়েক্লবনা খুদুম চন্নবা মহোৎনরক্লবদা পলেম মমামক্লি খন্দুনা লৈরিবা মমা লৈবাক্কীদমক মথ্বায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্নরিবসি। মদুমক্নুনি, নুপী পলেম অপোকপী মমা ওইবীশিংবু মীওইবা তাইবঙনা ইকায়খুম্নরিবসি। মালেমনা লেংদা মোং হাদনা ইমাগী তম্পাক্তা হৌরিবা উপাল, হৈ-লৈ, মহৈ পানবা পাম্বী, তাইবঙ ওইবশিং শোয়দ-ঙামদনবগীদমক কোরৌ নুমিৎকী অকোয়বদা হৌরকখিবদগী ঙসি ফাওবদা খোঙথাং কায়দনা, খোঙচৎ চুম্না চৎলি। মসিমক্না তাইবঙ ওইবা ঐখোয়না ঐখোয় ওইনা হিংমিন্নবা, লৈমিন্নবা ঙম্বনি। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা অমনা অমদা মীনুংশি ফাওনরিবনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিগী নুপী ওইবশিং ইমা লৈবাক্কা পাংখক্লি হায়বা খঙবা ঙম্বগী থৌনা চৎন-লিচৎ, থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ ঙাক্না চৎনবগী লোনচৎ খুদিং ঙম্নমক লৈশেম্লোন মীতৈ লাইনীংনা পাউতাক ওইনা তাকপীরি, খঙহনবীরি। মসিবু খঙলে নুপী ওইবীশিংনা য়ূম্বাল্লোন খঙবী, খঙদ্রে লমকেৎ লমহাইবীশিংদা চল্লি। কোরৌ নুমিৎতগী থোরকপা অশাবা, অইংবা অশিৎ অৱানথা কয়াবু ওইরকপা মথৌদাং তাইবঙগীদমক থক্লবা ঈশিং, চানবা চিঙ্গাক মনা মশিং, হৈ-লৈ, উপাল-পাম্বী পুথোকপীবগীদমক মীওইবশিংনা লাইবক শোক্না পক্না খুরুমলি। মালেমনা মতিক ময়ায় লৈবগী শোন্নরিবা, নীংনরিবসি কোরৌ নুমিৎকী অকোয়বদা খোঙচৎ চুম্না চৎপগী ওইবনি। ইমা লৈবাক পাংখক ওইবী লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিং ওইগদবগী মতিক ময়ায় নুপা মপুরোইবা ওইবশিংবু কোরৌ নুমিৎমক্না মান্নে খনবা ঙন্বী ওইগদৌবনি হায়না মীতৈগী লৈশেম্লোন লাইনীং মতুং ইন্না অসুম্না অহল লমন্না ফোঙদোকই। ময়ূম মরানয়াই হোং লুহোংদুনা য়ূম পাল্লবীশিংদা চল্লবীশিংদি অঙৌবা মচুগী কোকশেৎ অমা থাফদে। নুপী ওইবীশিংনা অয়ূক নুংথিল য়ূমদা লৈরিঙৈ অসুম্না কোকশেৎ শেৎপী কোরৌ নুমিৎ পাংখক ওইবা তাইবঙগী কনাগুম্বগী তালোয়নি শক্তাক্নরি। লুমাংদগী লুতুং কোয়না কোয়দানবা মালেম ইমা মানবী শমপুন খজিক ওইগী খূৎনা হাইগৎ অসুম্না মক্তবু কোকশেৎ লাংবী কোরৌ নুমিৎকী শারবা মশেক্না নুপী ওইবগী লাইবক্তা য়ৈঙমলোই। মপুরোইবনা অসিগুম্বী নুপীদা অশাউবগী ৱাহৈ হায়ঙমলোই, চৈঙমলোই। মীনুংশিগী মিৎয়েংনা মিকুপ খুদিং য়েংবীগনি। নুমিৎকী মঙালনা য়ৈবদা মেংলবা মঙাল পুমলং লংবা থাজগুম লৈবাক লৈশা লাইবক্তা কোয়দাননা নল্লিবা নুপী ওইবী মহাক নুমিদাংদা ওইরিবদু থানা মপূং ফানা থোকপা থানিনমক্লি মহায়বা করিসু লান্দে হায়বদি ঈং তপ্পী, মোং হাদবী লৈতেংদুনা ওইহনগনি। তাইবঙগী চিঙ্গাক ফৌ থম্ফম কৈ কনাগুম্বশিংনা লাকপদা উখিদনবা ইমুংদা নৎত্রগা য়ূমগী মচি-মরুম ময়াদা থম্নে। পৈশানা ফুরিৎখাওদা, সনা লুপানা উপুদা কনামত্তা খঙহন্দনা চেকশিন্না থম্নে। মতৌ অদুগুম থাবুম তরা নাওপুদুনা ৱানা পোকচবী নাৱা অঙাংগী থৱায় খোল্লাং তুংনফম ফনেক্না ফিদোল চিংখৎ তাশিল খোমজিন্না শেৎপদি নুপী ওইবীদু য়ূম্বালোনবু খঙবীনি হায়রোয়দগী মরম করিদবু লৈরিদগে। অউবা অয়েংবনা ইকায় খুম্নরোইদবগী মরম লৈতে।

লৈশেমলোন লাইনীংগী য়ূমলৈমা নমু মান্নবা তাইবঙ নুপী ওইবীদি খ্বাংচেৎ মচি লাংদফদে। লাইনীংবা অহলনা হায়বনি। থৱায় মিরেল মপুরোইবগী চাদা নাওদাগী ঈগী মরী পূম্নমক্কী পূক্লিংদা চিংশিল্লগা খ্বাংচেৎ শেৎপগী কিশিমক্তবু কিশিন্দুনা থল্লিবী মহাক্কী ইমুং মনুংগী তাইবঙ অমত্তা খাঙুথক্তা পীখল্লোই। ইমা লৈবাক্কী মতিক ময়াই চেল্লবীনি।

মপুরোইববু কোরৌ নুমিৎকুম হক্না লৌজবী মালেম ইমাগী লৈবাক লৈশা লাইবক্তা কোয়দাননা নল্লিবী ঈং তপ্পী, মোং হাদবী য়ূমদা লৈরিঙৈ কোকশেৎ খ্বাংচেৎ থাদবী, লমদা থোক্লে লুতুং শমপুল মালেম ইমাগুম পুল্লিবী, চরৈফিনা মপূং ফানা নম নঙ্গন্দা থোং ইন্দুনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংনা মালেম লৈমা ইমা লৈবাক্কী মতিক ময়াই চেল্লবী থৌদাং লৌরিবী ঐখোয়নি শক্তাক্তুনা লৈবাক অসি মুৎখগদবদগী ঙসিগী শুরোলনা অসুম্না কনগদবনি। ঐখোয়না ইমা লৈবাক অসিবু পলেম ইমামক্লি খন্দুনা নিংজগদৌবনি, শোঞ্জগদবনি হায়না লাইনীংবা অহলশিংনা নুংদা তেংথারিবসি ঐখোয় খুদিংনা অমুক্তদি তাবিসি। ঐখোয় মশেল নুংশিনবা অপূম্বগী পাঙ্গল শক্তম অমা লৈবাক্কী শাগৎপা অহলশিংগী অনিংবা অপাম্বা থুংনবা হোৎনমিন্নরসি। মালেমনা য়াইফরে। পোক্লফম লমদম্না মহেল্লি।